**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা ৮, খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপগা লোয়ননা বঙ্কর অহুম থুগাইখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- সরকারনা অসিনা লল্লোন ঈতিক্তা অয়েৎ অপন লৈহন্দনবা অমদি মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

অমসুং

৩) ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হায়রি- অসাম, কেরলা, পুদুচেরিদা পাঙথোক্কদবা বিধান সভা মীখল অমসুং রাজ্য ৪ কী মরক্কী মীখলদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৯৫৫ না লম্বা তৌনরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবা সেক্যরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থোয়ি নাগা ভিলেজদা বঙ্কর ৩ থুগাইখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবু অমনা থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী সরকারগা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই অমা ফাখি। মহাক ইং ২০২২ দা শগোলবন্দ তখেল্লম্বম লৈকাই বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইনি হায়না

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎপা এফ.আই.আর অমগী মতুংইন্না ফাগৎখিবনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তখেল অৱাং লৈকাইদবা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌ লুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমলে। পাউ অসিনা মখা তারদুনা হায়-তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিসনসু বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৩ অমসুং ৭৪ মনাক্তগী কে.সি.পি. অমসুং কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ মোইরাংকম্পুদগীনি অদুগী অমনা হম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাচি খুলদগীনি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইদাংপোক খুনৌগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, টু ইঞ্চ মোরতার অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা য়াওনা পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি।

থা অসিগী ২৬ তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৮ অমসুং ৭৯ ময়াদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌ লুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অহুম ফাগৎখি। মখোয়শিং অসি লল্লোন ঈতিক তৌরিবা মীওইশিংনা লৈবা ইম্ফালগী অকোইবদা বোম পোকখায়হন্নবা থৌরাং তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী আই.ই.দি অহুম, চাডরাকা কিলোগ্রাম অনি মখায়রোমগী টি.এন.টি ৭, দিতোনেতর অনি, টাইমর অনি অমসুং মোবাইল ফোন অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

মৈ (এল)ঃ  য়ুরেম্বম সব-ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ ফাওবা মৈ শেম্বনা মরম ওইরগা মৈ মুৎকনি। ১৩২ কে.ভি. য়ুরেম্বম গম্ফাজোল লাইন অসিদা মৈ লাইন তিংবা অমদি অমাং অতা থোকখিবশিং শেমজিনগদবা লৈবনা মীয়ামা মৈ ফংলোইহায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, সব-ষ্টেসন অসিগী মেনেজরনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- অয়ুক পুং ৭ তগী নংথিল পুং ২ ফাওবগী মৈ শেম্বগী মতম অসিদা থার্তি থ্রি কে.ভি. সব-ষ্টেসন অসিগী এলেভেন কে.ভিনা মৈ পীরিবা মফমশিং হায়বদি- ১৩২ বাই থার্তি থ্রি কে.ভি. য়ুরেম্বম, ইরোইশেম্বা, লমফেল, কৈশামপাৎ, কোংবা, জেনিমস, খুমন লম্পাক, কংলা অমসুং শঙ্গাইপাৎ হায়রিবা মফমশিংদসু মৈ ফংলোই হায়রি।

একজিবিসন ঃ অনফোলদিং হায়না মীংথোনবা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা নুপী আর্টিষ্টশিংগী অয়েকপা লাই মীয়ামদা উৎথোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরি ক্বাকৈথেলদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি খুলং নুপী আর্টিষ্টশিংনা শেম্বা আর্টিষ্ট গ্রুপনা শিন্দুনা পাঙথোকপা একজিবিসননি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং য়াওবা মীফম অমা ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোকখ্রে। নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসিদা রাজ্যশিংনা শেম শারিবা অমসুং পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীফম অসিদা খন্নখি। মীফম অসিদা ফ্যুএল সপ্লাই, ইনফ্লেসনগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- সরকারনা অসিনা লল্লোন ঈতিক্তা অয়েৎ অপন লৈহন্দনবা অমদি মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। ওইরক্লিবা ফিভম কয়া অসিদা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী উপ-রাজ্যপালশিংগা উন্নদুনা করি করি খোঙথাংশিং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খন্ননবগীদমক মীফম অদু পাঙথোকপনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নোংচুপ এসিয়াগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈবাক অসিগী ইন্তর মিনিষ্ট্রিয়েল কাংবুনা মার্চ অহুমদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎপগা লোয়ননা কুপনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- লৈবাক অসিনা মমাং থক্তসু অসিগুম্বা চরাংনবা কয়া মায়োকদুনা লাকখ্রে।

ইসি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হায়রি- অসাম, কেরলা, পুদুচেরিদা পাঙথোক্কদবা বিধান সভা মীখল অমসুং রাজ্য ৪ কী মরক্কী মীখলদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৯৫৫ না লম্বা তৌনরগনি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী চেরোল অমনা হায়- অসাম, কেরলা, পুদুচেরিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখল অমসুং রাজ্য ৪ গী মরক্কী মীখল পাঙথোকবা থা অসিগী ১৫ দা নোতিফিকেসন থোকখিবনি। হায়রিবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অসিদা লাক্লিবা এপ্রিল ৯ দা ভোৎ থাদনগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইব নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ ২৫০ না মখোয় মখোয়গী মীরেপচে লৌথোকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বিধান সভা মীখল পাঙথোক্কদবা অসাম, কেরলা অমদি পুদুচেরিগী ওইনা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৯০৬ না লম্বা তৌনগনি। অদুগা মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱা, করনাতক, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরাদা পুন্না মীরেপ ৪৯ না লম্বা তৌনগনি।

পেত্রোল্লিয়ম ঃ দিজল অমসুং এভিএসন তরবাইন ফ্যুএল (এ.টি.এফ) মপান লৈবাক্তা থাদোকপদা লৌরম্বা এক্সপোর্ট দ্যুতি সরকারনা হেনগৎখ্রে। নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং থোক্লিবা অসিগী য়েংলগা মালেমগী ওইনা থাউগী মমল হেনগৎলক্লিবা মরক অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা পেত্রোল অমসুং দিজলদা লৌরম্বা দোমেষ্টিক টেক্স হন্থহনখ্রে।

নোংচুপ এসিয়াদা নৌনা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ইন্ম মিনিষ্টরিয়েল মীফমদা ৱা ঙাংবদা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ইনদাইরেক্ত টেক্সেস অমসুং কষ্টমসকী চেয়ারমেন বিবেক চতুরবেদিনা হায়- খোঙথাং অসি লৈবাক অসিদা দিজল অমসুং এ.টি.এফ মরাং কায়না ফংহন্নবা অমসুং ইনর্জিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা পায়খৎলকপনি।

পেত্রোল্লিয়ব অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- লৈবাক অসিগী রিফাইনরিশিং হান্নগুম মথৌ তৌরি অমসুং দোমেষ্টিক এল.পি.জি পুথোকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলে। মহাকা হায়- মার্চ ১৪ দগী হৌজিক ফাওবদা কম্মর্সিয়েল কঞ্জুমরশিংদা এল.পি.জি টন লাখ ৩০ রোম পীখ্রে।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩২ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ১৫ শুবা কনভোকেসন পাঙথোকখিবগী পাউ, ইরানগী লানগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা মুখ্য মন্ত্রিশিংগা উন্নখিবা অমসুং কাংচুপতা লৈবা ইনাম লোক্তা মীওই অমগী কোক্কী শরু তারম্বা থেংনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ১৫ শুবা কনভোকেসন পাঙথোকখিবগী পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বগী হেদলাইন তৌবা থেংনরি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তা ইন্দিয়াগী ভিক্সিত ভারতকী মঙলানদা মণিপুরগী নহাশিংগী থৌদাং চাউই হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফমগা লোয়নননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ অমসুং স্কিল তমহনবদা লৈঙাকা অহেনবা মীৎয়েং থল্লিবা হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, দা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, দ তমেংলোং টাইমস অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নোংচুপ এসিয়াগী ওইরক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী মখ্য মন্ত্রিশিংগা উন্নখিবগী পাউ দ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুর ইদিসনদা অহানবা অমদি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি দ তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা সেন্তরনা পেত্রোল অমদি দিজলগী এক্সাইজ দ্যুতি হন্থখ্রে, এক্সাইজ দ্যুতি হন্থখ্রবসু মমলদি হন্থগদবা মান্দে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সিংদা ডাম মনাক্তা নুপাগী শরুক পোলাং অমা ফংবদগী কমল বাবুগী ওইগদ্রা হায়বা ৱাংহং ভাইরেল ওইরকখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রতন থিয়ামদা ভারত রত্ন পীবীনবা এম.পি. সনাজাউবনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা কিলোমিতর লিশিং ১,৬০০ শাংবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা বি.আর.ওদা শিন্নখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দ গানফিউ মেলদা ষ্টেট অসিগী ৱেথলিফতর কুইচাংলিউ গাংমৈনা খেল্লো ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমস ২০২৬ তা লুপাগী তকমান লৌরকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীকোক থীবগী থবক নিয়ম চুমা অমদি ত্রান্সপেরেন্ট ওইনা পাঙথোকবা মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------